FACE MASK AND SANITISER FREE DISTRIBU
In Commemoration of
10 years' Raising Day of pioneer Manipuri Women Platform
khel Leima Tengbang Lup, Tripur
Venue : Nalgaria, Ranir Bazar, Agartala, Tripura

ত্রিপুরাগী অমত্তা ঙাইরবা মৈতৈ নুপীশিংগী অপূনবা লূপ তখেল লৈমা তেংবাঙ লূপ ত্রিপুরাগী ১০শুবা মপোক কুমওন থৌরম লৈত-লায়রশিংদা ফেস মাস্ক অমদি সেনিটাইজর য়েন্থোক্তুনা তরাও মৈতৈ খুলদা পাঙথোকখিবা

হাওবম মরক সোসল য়ুনিয়ন ক্লবনা কোনবা হাওবম মরক ঙাঙোম লৈকায়দগী ইম্ফাল কোলেজদা আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক ফেস মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর অমদি থক্লবা পেকেজ ৱাটর বট্টলশিং তেংবাঙখিবা

অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা লৈখিদ্রবা লেফটনেন্ট কর্নেল রোবার্ট টি এ কুবাগী অহানবা কুমওন থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী মফমদা এ আরগী ওফিসরশিংনা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখিবা

মণিপুর কোলেজদা হাংদোক্লিবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টরদা হৌখিবা মে ৫দগী লৈরক্তুনা ফীভম ফগৎলক্লবা মীওই ২২দা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা দিসচার্জ সার্টিফিকেট খুৎশিন্নখিবা

মীয়াম্না অঙন্বা থাক্তা মতেং পাংসিল্লসি : অমুকো

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচএনএস): মালেমগী মফম কয়াদা কোভিদকী অনীশুবা ৱেভনা চৈথেং পীরক্লিবশিংগী মনুং চন্না মণিপুরদসু লায়না-লাইচৎ অসিনা শাথিবা চৈথেং অমা মীশিংসু য়ামদ্রবা পীকখ্রবা লমদম অসিগী মীয়ামদা পীরিবা অসিদগী কন্ননবা ঐখোয় মশেল অঙম-অঙন্বা থৌদাং পায়মিন্নরসি অমদি হেল্থক্যের ৱর্করশিংনা অনা-লায়েংশঙ কয়াদা পায়খৎলিবা থবকশিং অসিদা মীয়াম্না অঙন্বা থাক্তা মতেং পাংসিল্লসি হায়না ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)না মণিপুর মীয়ামদা আপিল তৌরক্লি।

অমুকোগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এম এম থম্বৌনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইরমদমগী মীয়াম কনবনা ঐখোয়গী থৌদাং ওইরসি। ঐখোয়গী থৌনা, চেকশিনবা অমদি থৱায় য়াওবা থবক অদুনা কোভিদ-১৯ থেংননবগী খ্বাইদগী শম্বা লম্বী ওইগনি। কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসিদগী কন্নবগীদমক মণিপুরগী হেল্থ ৱর্করশিংনা হকথেংননা কোভিদ-১৯ থেংননবা অমদি অনাবা কয়া লায়েংলিবা, টেষ্ট তৌরিবা অমদি ভেক্সিনেসন কাপ্লিবা অসিদা মতেং পাংশিনবগা লোয়ননা লৈকায়-লৈকায়দসু কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা তৌবা য়াবা থবকশিংসু তৌমিন্নরসি। ঐখোয়না শাথিরবা কোভিদ-১৯ অসি থেংনবদা লৈঙাক্লা পায়খৎলকপা থবকশিং খক্তা ঙাইরগা লৈরবদি কোভিদনা ঐখোয় লাঙ্গোয় চনখিবনা হানখিদুনা ইরমদম অসিদা শাথিবা মীশি-মীনা কয়া থোকপনা হানখিগনি।

কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসি অহানবা থেংনবা ওইবনা মীয়াম্না মসি করম্না লান্থেংনগনি হায়বসি অরাইবা অমা ওইরোই। মরম অদুনা মসি থেংননবা হোৎনবদা লৈঙাক্লা অমদি এক্সপার্টশিংনা লৌখৎলক্লিবা থবকশিং অমদি লাউথোরক্লিবা ৱাফমশিং ঙাক্লা চৎসি। মদুদা মপুং ফাদবা অমদি অশোয়বা য়াওবদা ময়াম চঙদুনা চৈশিল্লিবা অমদি হুন্দুনা ঙাংবগী মহুৎতা ঐখোয়নসু অফবা সজেসন পীদুনা হকথেংননা ঐখোয় ঐখোয়না ঙমজবা থাক্তা থবক য়াওশিল্লসি। মসিদি ঐখোয় পুন্নমক লান্মী ওইরগা থেংনমিন্নগদবা লানফম অমনি। হৌজিক্তি ফীভমসি য়াম্না লুশিল্লক্লবনিনা লায়না-লাইচৎ অসি থেংননবা হোৎনবদা ঐখোয় পুন্নমক্কী থৌদাং ওইগদবনি, কোক চুংশিনমিন্নগদবনি। মপুং ওইবা অমদি মাঙজিল থানা থবক তৌগদৌরিবা কাঙবুনসু থবক লৈথোক্লোইদবনি। অসুক লুবা লান্থেং অমা থেংনবদা কনাগুম্বা খরখক্তদা হায়বদি লৈঙাক, হেল্থক্যের ৱর্করশিং অমদি হৌজিক হৌজিক মাঙজিল থানা থবক তৌরিবা মখোয় খরখক্তদা ইন্থোক্লগা ময়াম্না কুম্মে য়েংবগুম্না লৈবগী মতম নত্তে। লৈঙাক অমদি এক্সপার্টশিংনা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবগীদমক্তগা তৌবীয়ু হায়রিবা থবকশিংদু মীয়াম্না ইনবীয়ু অমদি তৌগনু হায়রিবশিং অদুসু তৌগুমসি। লৈঙাক অমদি এক্সপার্টশিংনা লাউথোরক্লিবা ৱাফমশিং অদু ঙাক্লবা হোৎনবদা লোকল ক্লবশিং অমদি লৈবাক মীয়ামগী খনবা মীওইশিংনা মাঙজিল থারগা থবক তৌমিন্নরসি। হৌজিক ক্লব ময়াম থোক্তুনা য়াম্না হৈ-শিংনা অমদি ইচঙ থৌনা থবক তৌমিন্নরসি। মণিপুর পুলিস অমদি লোকল ক্লবশিংনসু কোভিদ-১৯ থেংননবা হোৎনবদা লৈকায়, খুল কয়াদা এস ও পি থুগায়দুনা কোভিদ শন্দোরক্লবগী মচাক ওইহল্লিবশিং অদু মপুং ফানা থিংবীবা চঙই।

কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবগীদমক মী পুন্দবা কর্ফিয়ুনচিংবা অকনবা থবক কয়া লৈঙাক্লা পায়খৎলবসু লৈকায়, খুল কয়াগী মীয়াম্না মদুগী ৱাহন্থোক অমদি পান্দম করিনো হায়বদু মমুৎ তানা নৈনদনা অমদি খঙনা খঙনা থৌশা-ৱাশাদনা জ্বার, লূদুনচিংবা শান্নবা অমদি অতৈ মী পুনবা থবক কয়া তৌদুনা লৈরিবদু খুদক্তা ময়াম চঙদুনা থিংমিন্নসি অমসুং ইশা-ইশানা খঙনা লেপ্পসি হায়না অমুকোনা আপিল তৌজরি। ঐখোয় মীয়াম্না ইশা-ইশাগী য়ুমদা অমদি লৈকায়দা লৌগদবা চেকশিন থৌরাংশিংদুদি লৌদনা ইশা, ইমুংগী মী, মরী-মতাদা নারক্লবা মতমদা হোস্পিটালদা পুখৎপদা হোস্পিটালগী ওথোরিটিনা ফমুং লৈতে, ওক্সিজেন লৈতে, কোভিদ টেষ্ট তৌদ্রবদি লায়েংবীদে, মতম চানা লায়েংবীয়ু য়াদে, নীংথিনা য়েংবীদে অমদি কোভিদ পোজিটিভ ওইরে হায়না পাউ পীরবসু মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী মীওইশিং লাকপীদে হায়বনচিংবা মীয়ামগী পেন্দবা ৱাফম ময়াম থোক্লিবনি। মসিগুম্বা পেন্দবা থৌদোক কয়া নুমীৎ খূদিংগী থোরক্লিবা অসিদা ঐখোয়না লৈঙাক অমদি হোস্পিটালগী মীওইশিংদা চৈরগা কোভিদ নাবা ফরক্কদবা নত্তে। মরম অদুনা ঐখোয় পুন্নমক চেকশিন থৌরাং লৌদুনা কোভিদ লান্থেংমিন্নবগী অচঙবা লান্মী ওইমিন্নরসি।

মীয়াম্না কোভিদ-১৯ থেংননবগীদমক লৌরিবা থৌদাংশিং অদুদগী পূক্লিং হন্থখিদনবা লৈঙাক্লসু য়াম্না হৈ-শিংনা মীয়ামগী অনীংবা অপান্বশিং খঙনা থবক তৌবীয়ু। মী পুনগনু হায়দুনা কর্ফিয়ু লাউথোক্লগা হেক্তা মপান থোকহন্দনা মতম কুইনা অফা-অপুন তৌদুনা থম্বদি য়ারক্লোই। হৌজিক ওইরক্লিবা কোভিদ-১৯গী ফীভমসিদা ঐখোয় ময়ামসি মপান থোকপদা মহিক পল্লক্কনি হায়দুনা য়ুম-য়ুমদগী মপান থোক্তনা অদুম লৈখ্রবদি মদুনা কোভিদ-১৯ লাকশিন্ননবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈনি হায়না খনবা লানগনি। চেকশিনবগা লোয়ননা তুংগীদমক তঙাইফদনা তৌফম থোকপা থবকশিংদু মতম চারিঙৈদা তৌহৌসি। কোভিদ থেংনরিঙৈদা চানবা চীঞ্জাক্কী থবক পায়খৎহৌরবদি তুংদা চীঞ্জাক্কী শাথিবা ৱাথোক অমমুক লাকপা য়াই। হৌজিক্তি কোভিদ-১৯দগী কিদুনা চেনগদবা নত্তে। হৈ-শিংনা অমদি কোভিদনা লান্দারক্কদবা লম্বীশিং অদুদগী চেকশিনবগা লোয়ননা থেংনগদবনি। কোভিদনা শিবা, পোজিটিভ ওইবা মীগী মশীং থিরগা-খঙলগা ঐখোয়না নাকলদা পংপাদা পাখৎলগা লৈবগী মতৌসু ওইদ্রে হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

‘কোভিদ-১৯না লৌমীশিংদা পীরিবা চৈথেং অসিদগী কন্ননবা লৈঙাক্লা মাঙজৌননা থবক পায়খৎপীগদবনি’

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা লৌমীশিংদা পীরিবা চৈথেং অসিদগী কন্ননবা লৈঙাক্লা মাঙজৌনবা থৌশিল থৌরাং য়াৎতুনা থবক পায়খৎকদবনি হায়না ওল মণিপুর প্রোগ্রেসিভ ফার্মরস এসোসিএসন (এ এম পি এফ এ)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এ এম পি এফ এগী সেক্রেটরি জেনরেল দব্লিয়ু ইনাওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লমদমসিগী পুকচাক মীরমদগী ঙাক্তা পুশিল্লক্তুনা হিংগনি হায়বা ৱাখল মীৎয়েং অসি থাদোকপা মতম ওইরে হায়বসি কুমজা ২০২০দগী লেপ্তুনা চৈথেং পীরক্লিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা অমুক্কসু হেন্না ময়েক শেংহল্লে। শেলবু লৈরবদি পুন্নমক ফংলগনি অমদি ঐখোয় অৱাৎ-অপা অমত্তা লৈররোই হায়বা ৱাফম অসিনা ঐখোয় খূদিং ইমঙ থিজবা ওইনা তাহল্লি। ইন্দিয়াগী মফম খূদিং কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিনা তোরা তুনা শোকহন্দুনা মালেমদা কোভিদ লাইচৎনা খ্বাইদগী শোকহনবা লৈবাক ওইরকপদগী ঙসিদি মীরমদগী মখল মখা কয়াগী পোত্থোক পুশিল্লক্লগা হিংগনি হায়বসি অরানবা ওইরক্লে। ইন্দিয়াগী ষ্টেট কয়ামরুমদা লোকদাউন, কর্ফিয়ু তৌখিবনা মণিপুরদা মীরমদগী পোৎচৈ মরাং কায়না পুশিল্লকপা হায়বদু ওইদ্রবনি। মসিমক্না ইরমদমসিদা পুথোকচবা পোত্থোক হেনগৎহন্দুনা হিংনবা হোৎনবা হায়বসি খ্বাইদগী মরুওইবা লম্বী ওইরক্লে।

লুরিবদি ঐখোয়গী লৌমীশিংনা পোত্থোক পুথোকপদা চঙলিবা মরুওইবা মচল, মচাক-মথুমশিং মফম মতম চানা ফংহনবা অমদি পুথোক্লিবা পোত্থোকশিংবু মথৌ তারিবা মীওইশিংদা ফংহন্নবা অমদি তুং কোইনা চৎনবা য়াবা থৌশিল থৌরাং লৈঙাকনা পুথোকপীদ্রগদি পোত্থোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্লোই। পুথোক্লিবা পোত্থোকশিং শীজিন্নফম খঙদনা মাঙখিবা তাবনি। কুমজা ২০২০দা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লমদমসিগী লৌমীশিংদা পীখিবা চৈথেংশিং অমদি পোত্থোক পুথোকপা ঙমখিদবা অমসুং পুথোক্লিবা পোত্থোকশিং পৎ-পুমদুনা মাঙখিবা মণিপুর লৈঙাক, মরী লৈনবা লোয়শঙশিং অমসুং লমদমসিগী মীয়াম্না হকথেংনদুনা লাকখ্রবনি। হকথেংনখ্রবা ইস্যুশিং অমদি চেলেঞ্জশিং ঙসি অমুক হন্না থোক্লকপদা থেংনবা ঙমদ্রবদি মাঙজৌননা প্লান, পোলিসী য়াৎহৌদ্রে তাকপনি।

চেরোল অসিনা হায়, মমাঙগী চহীশিংদা হার, তিলহাৎ হিদাক ৱাৎপগী লৌমীশিংদা খুদোংচাদবা মায়োক্লখিবদু হন্দক্কী চহী অসিদসু থোকহন্দনবা লৈঙাক্লা মাঙজৌননা শীনগদবনি। মরী লৈনবা মিনিষ্টরশিংনা লৌমীশিংগী হার, মরু-মরাং, তিলহাৎ হিদাক, মরী লৈনবা মেছিন্নরিশিং মরাং কায়না পৈশিন্দুনা লৈরে অৱাৎপা অমত্তা লৈহল্লরোই হায়দুনা ফোঙলক্লিবসি কদায় ফাওবা চুমগদৌরিবনো হায়বসি মীপুম খূদিংমক্না হংনরিবা ৱাফমনি। লৈঙাক্কী ৱারোল অসিদি চহী খূদিংগী হায়দুনা লাক্লবা অদুগা থবক্তা ওন্থোরকপদদি তায়ওন্নবা থৌদৌ ঙাক্তা ওইখি হায়বসি মীপুম খূদিংমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। হার, মরু-মরাং, ফৌদি, তিলহাৎ হিদাকতা ঠিকা তৌবা ওইনা ওন্থোক্তুনা মীওই খুজোক খরগী ফুরিৎখাও চোন্নবা হোৎনখিবা মীৎমাঙদা হৌখিবা চহীশিংদা থোকখ্রবা ঙাক্তনি। চৎলিবা চহী অসিদা থোক্লোই হায়বসি মীয়াম্না কদায় ফাওবা থাজদৌরিবনো। লৈঙাক্কী থৌশিলদা হকথেংননা লৌমীশিংদা মরী লৈনবা মথৌ তারিবশিং মতম চানা ফংহন্নবা লৈঙাক্লা শীনগদবনি। মমাঙগী চহীশিংদা লৌফমগী পাট্টা পায়বা মীওইশিংখক্তদা হার ফংহনগনি হায়বসি লৈঙাক্কী থৌশিল শোয়বা তাগনি। লমদম অসিদদি লৌসাল উরগা হিংবা, পাট্টা লৈতবা মফমদা লৌ উবা লৌমী কয়ামরুম লৈরিবনি। অদুনা লৈকায় খুঙ্গংশিংদা লৈরিবা লৌমী লূপ, ক্লব, পঞ্চায়ট অমদি লৈঙাক্কী মীহুৎশিংনা পরম চুম্না চুম্না তশেংনা লৌ উরিবা মীশকশিং অদুদা হারনচিংবা মরী লৈনবা পুন্নমক মতম চানা লৈঙাক্লা ফংহন্নবা শীনগদবনি। লৌ উদবা মীওইশিংনা, দুকান ফম্বশিংনা হার পৈশিন্দুনা, লৈশিন্দুনা থল্লিবশিং লৈঙাক্লা থিগৎতুনা লৌমীশিংনা ফংজগদবা হার, মরু-মরাং, তিলহাৎ হিদাকনচিংবশিং মৎপীরিবশিংদগী কলহৌগদবনি।

লৌমীশিংনা পোত্থোক হেন্না পুথোকপা ঙম্ননবা চারা, মরু-মরাং পুথোকচদুনা মীরমদা মপাল তাঙদনবা লৈঙাক্লা হোৎনগদবনি। লৈঙাক্লা লৈখিবা ৱাটর পম্প সেটশিং, ট্রেক্টরশিং থিগৎলগা লৌমীশিংদা হকথেংননা কান্নবা ফংহনগবনি। হৌজিক্তগী হৌনা লৈঙাক্কী ট্রেক্টরশিং শীজিন্নদুনা লৌফমশিং খোয়দোকপা য়াবশিং খোয়দোকপীদুনা মথংগী পোত্থোক পুথোক্লবা শেম-শাবদা মতেং পাংবীগদবনি। শাবা লোইরবা লিফ্ট ইরিগেসন প্রোজেক্টশিং অথুবদা থবক হৌহন্ননবা শীনগদবনি। ঈথৈ-লৌখোং নীংথিনা শেংদোকপা, তৌথোকপা হায়বসি লৈঙাক্কী মথৌনি। মদুগীদমক লৈকায়, খুঙ্গংশিংগী লৌমীশিং, লৌমী লূপশিং, ক্লব, মীয়ামগী মীহুৎশিং লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টগা মাঙজৌননা খন্ন-নৈনদুনা তুং কোয়না মহৈ চাবা মায় পাকপা হায়বদু ওইগনি।

লমদমসিগী মফম কয়াদগী পুথোরক্লিবা পোত্থোকশিং য়োনফম লৈতবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবশিং কোকহন্ননবা লৈঙাক্লা অশানবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা পায়খৎপীগদবনি। লৈঙাক্লা মোমাগী মার্কেটিং পোর্টেল অমা লোঞ্চ তৌরকপসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। অদুবু লমদমসিদা পুথোক্লিবা পোত্থোক পুন্নমক মোমানা লৈশিনবা মেনেজ তৌবা ঙম্লোই। অদুনা অতৈ মার্কেটিং এজেন্সীশিংগী খুত্থাংদা পোৎ য়োনবা য়াহন্নবা লৈঙাক্লা প্লান্ট, পোলিসী, গাইদলাইন শেমদুনা মীয়ামদা অহোংবা মমলদা ফংহন্ননবা শীনবগদবনি। মসিগীদমক লৈঙাক্লা লৌমীশিং, লৌমী লূপশিং, মার্কেটিং এজেন্সীশিং অমদি মরী লৈনবশিংগা পাউ ফাওনদুনা খুৎশম্নদুনা চৎমিন্নবনা মায় পাকপা ঙমগনি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

নোহাখোলনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচএনএস) : টিদ্দিম মায়কৈদা ইববু য়োকখৎপীরম্বগা লোয়ননা কংলৈ খোরিরোলদা খুদোল কয়া তম্বীরম্বদা নত্তনা রাইটর্স ক্লব নম্বোলগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা খোইনাইজম ধজমনিনা লৈখিদবদা অইবগী থৱায়না মপুগী মনাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা অমদি অইবগী লৈহৌরিবা ইমুং-মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াজদুনা নোংচুপ হারম খোর্জেলূপ (নোহাখোল) য়ুরেম্বমনা ওনলাইনগী খুত্থাংদা লূপসিগী প্রসিদেন্ট ডা. সশিকুমার য়ুরেম্বমনা লুচিংদুনা লূপলোয়শিংনা ঙসি নুংথিল মিনিট অমা তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা নোহাখোলনা থৌনিজরি হায়না নোহাখোলগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. আই এস য়ুম্নামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

তেংবাঙ পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচএনএস) : হাওবম মরক সোসল য়ুনিয়ন ক্লবনা কোনবা মফমশিংদা লৈবা মীওই কয়া কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপদগী ইম্ফাল কোলেজদা আইসোলেসন তৌদুনা লৈরিবা হাওবম মরক ঙাঙোম লৈকায়গী মীওই ১০দা ক্লব অসিগী মায়কৈদগী হেন্দ সেনিটাইজর, মাস্ক অমদি থক্ননবা পেকেজ দ্রিঙ্কিং ৱাটরশিং তেংবাঙ ওইনা পীখ্রে। লোয়ননা ক্লব অসিনা সী এম ও ইম্ফাল ৱেষ্টকা খুৎশম্নদুনা হৌখিবা মে ১৩দা লৈকায় অসিগী অকোয়বদা লৈবা মীওই কয়া কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবগী কেম্পসু পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ব্রাউন সুগরগা কোন্ননা নুপা ১ ফারে

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচএনএস) : গমনোম সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসনগী ও সীনা লুচিংবা টিম অমনা ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তাবা মতমদা নেসনল হায়ৱে নম্বর টুগী খোলেপ জঙ্কসনদা লম্বীদা অচৎ-অওকশিং চেক তৌবদা ময়াই কাবা ব্রাউন সুগরগা কোন্ননা নুপা অমা ফারে।

পুলিসনা দ্রগকা কোন্ননা ফারবা নুপা অদুগী মমিং হাওনেও চংসন (২৫), অপোকপা কমপু চাংসন কৌই। মহাক গমনোম সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা টি জালেনফাই খুনদা লৈবনি। মঙোন্দগী সাপোন কেপ অনীদা ব্রাউন সুগর অদু তোঙান তোঙাননা অমদনা গ্রাম ১১ অমদনা গ্রাম ১২ হাপ্লগা পুরম্বনি। মহাক গমনোম সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নবগা লোয়ননা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

মাস্ক অমদি সেনিটাইজর য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচএনএস) : বিষ্ণুপুরগী এস পি প্রিয়াদর্শিনি লাইশ্রম অমদি ভি দি এফ ৱেলফেয়র কম্মিটিগী চ্যেরমেন য়াংখোম্বা ওক্রমচাগী মীৎয়েং মখাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না ঙরাং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা ভি দি এফ আউট পোষ্ট ২৩দা মথৌ পাঙথোক্লিবা এসোসিএসন অসিগী মেম্বর ওইরিবা ভি দি এফ পর্সনেলশিংদা ফেস মাস্ক অমদি হেন্দ সেনিটাইজরশিং য়েন্থোকখ্রে হায়না বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি নাওরেম রামেশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসিদগী খরদা ওইরবসু ঙাকথোক্লনবা ফেস মাস্ক অমদি সেনিটাইজরশিং অসি য়েন্থোকখিবনি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী কন্টেনমেন্ট জোন ১৫০ লৈবদা ভি দি এফশিংনা অয়াম্বা পোষ্টশিং হাংদুনা লায়না-লাইচৎ অসি থেংনবদা শরুক য়ারি। ফ্রন্টলাইনদা দ্যুটি তৌরিবা ভি দি এফশিংনা তানখিবা দিমান্দশিং লৈঙাক অসিনা পীথোকপীদুনা ভি দি এফশিংগী অৱাবা খরদং ওইরবসু কোকহনবীয়ু হায়নসু এসোসিএসন অসিনা লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

এম পি টি সী সীনা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট মণিপুরদা য়াওরকপদা অয়াবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচএনএস): ডা. থোকচোম ইনাওচানা লুচিংবা মণিপুর প্রদেশ তৃণমুল কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি টি সী)না য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট মণিপুরদা য়াওরকপদা ফ্রন্ট অসিগী চ্যেরমেন সাপম শামুঙৌনা অয়াবা পীখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট মণিপুরগী কনভিনর চবুংবম প্রেমচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এম পি টি সী সী য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট মণিপুরগী মেম্বর ওইরকপগা লোয়ননা ফ্রন্ট অসিগী মেম্বর ওইরিবা পোলিটিকেল পার্টি ১০ শুরে। পার্টিশিং অদুদি সমাতা পার্টি, মণিপুর প্রদেশ তৃণমুল কোংগ্রেস কম্মিটি, হিন্দুষ্টান জনতা পার্টি, জনতা দল, বিশ্বা শক্তি পার্টি, ন্যু ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস পার্টি, অখিল ভারতিয়া হিন্দ ক্রান্টি পার্টি, ভারতিয়া রাষ্ট্রৱদি সমাতা পার্টি, দেম্মোক্রেটিক ভারতিয়া সমাজ পার্টি অমসুং রিপব্লিকান পার্টি ওফ ইন্দিয়া (এ) মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিনি।

ডা. থোকচোম ইনাওচানা লুচিংবা এম পি টি সী সীনা ফ্রন্ট অসিদা য়াওরকপদা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট মণিপুর অসি হেন্না মপাঙ্গল কনবা অমা ওইরগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থল্লি। হন্দক ৱেষ্ট বেঙ্গলদা পাঙথোকখিবা এসেম্বলী মীখলদা সিট ২৯৪ লৈবদা সিট ২৯২গী মীখল পাঙথোকপদা তৃণমুল কোংগ্রেসনা সিট ২১৩ মায় পাক্তুনা লৈঙাক পায়রিবনি। ইন্দিয়াগী আইরন লেদিশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মমতা বেনর্জিনা অহুম্লকশুবা ওইনা চীফ মিনিষ্টর ওইরিবনি। লুচিংবী অসিনা নোংমদি ইন্দিয়াগী শোয়দনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখিগনি হায়বগী থাজবসু থল্লি হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

লৈঙাক্লা য়েংশিনবীয়ু : টাস্ক ফোর্স

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচএনএস) : ককচিং দিষ্ট্রিক্ট অসি কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসিনা খ্বাইদগী খুদোংথিবা পীরকপা দিষ্ট্রিক্টনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই। লুরবা তানফম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা অৱাবা তারবা অসি কোকহন্ননবা হীরম খূদিংমক্তা লৈঙাক্লা য়েংশিনবীয়ু হায়না ককচিং দিষ্ট্রিক্ট টাস্ক ফোর্সকী কনভিনর এম মনিশ্বর খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌজিক দিষ্ট্রিক্ট অসিদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা মীওই ২২ রোমগী পুন্সি লোমখ্রে। মীওই ৩১৮না পোজিটিভ ওইরি। মসিদা অরুবা ফীভমদা লৈবা কয়াসু য়াওরে। লৈঙাক্লা ভেক্সিন পীরক্তবদগী ভেক্সিন কাপ্পসু তোকখিবগুম তৌরি। মরক অসিদা ককচিং মখা রাজধানি পরেংদা লৈঙাক্কী চেঙ য়েনবদা য়ুরিয়া মানবা পোৎশক য়াওরকপা হায়বসি তরাইনা লৌফম থোক্তে। মতৌ করম্না অসিগুম্বা চেঙ অসি পীরিবনো। কদায়দগী লাকপনো হায়বদু মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা থিদোকপীদুনা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীবীয়ু। দিষ্ট্রিক্ট অসিদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভকী লান্থেং অসি থেংনবদা মকোক থোংবা ওফিসরশিংদগী মখা তাবদা লৈরিবা খূদিংমক মশাগী লৌফম থোকপা থৌদাং খঙনা লৌমিন্নসি।

কোভিদ-১৯না চৈথেং নংলবা কনা লৈজদ্রবা অঙাংশিংদা তেংবাঙলগনি

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচএনএস) : কোভিদ-১৯গী চৈথেং নংলবা কনা লৈজদ্রবা অঙাংশিংদা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট (দি সী পি য়ু) বিষ্ণুপুরনা তেংবাঙ পীরগনি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট, বিষ্ণুপুরগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা বিষ্ণুপুরগী দি সী কৃষ্ণকুমারনা থোকখিবা নোটিশ অমগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯না মমা-মপা ওইবশিং চৈথেং নংদুনা অমদি য়েংশিনবীনবা কনা লৈত্রবা অঙাংশিং লৈরবদি খুদক্তা চাইল্ড ৱেলফেয়র কম্মিটি, বিষ্ণুপুর নৎত্রগা দি সী পি য়ু বিষ্ণুপুর নৎত্রগা চাইল্ড লাইনগী টোল ফ্রি নম্বর ১০৯৮দা কোল তৌরক্তুনা পাউ পীবীরকউ। কনা লৈজদ্রবা অঙাংশিং অদু জুবেনাইল জষ্টিস (ক্যের এন্দ প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন) এক্ট, ২০১৫গী মখাদা ইন্টিগ্রেটেদ চাইল্ড প্রোটেক্সন স্কিমগী প্রোভিজনশিং মতুংইন্না খুদক্তা সেল্টর অমদি রিহেবিলিটেসন পীরগনি হায়রি।

সোসল ৱেলফেয়রগী দিরেক্টরনসু খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবা কনা লৈজদ্রবা অঙাংশিং অসিগী সেল্টর অমসুং রিহেবিলিটেসন পীনবা চাইল্ড ক্যের ইনষ্টিট্যুসনশিংসু লাউথোকপা লৈখ্রে হায়রি।

প্রোফেসর এস টিকেন্দ্র লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচএনএস) : বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা প্রোফেসর এস টিকেন্দ্রনা লৈখিদবদা লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোক্নরক্লি।

অপ্পা দল (সোনিলাল) মণিপুর ষ্টেটকী ভাইস প্রসিদেন্ট মোইরাংময়ুম থোইবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা প্রোফেসর এস টিকেন্দ্রনা লৈখিদবদা অপ্পা দল (সোনিলাল)গী লুচিংপুরেল ওইবীরিবা কোন্থৌজম মনোরঞ্জনগী য়ুমদা দল অসিগী মেম্বরশিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজখি। লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এস টিকেন্দ্রনা লৈখিদবদা মিনিষ্টর টি ঐচ সত্যব্রত অমদি বি জে পি য়াইস্কুল মন্দল অমসুং বি জে পি কৈশামথোং মন্দলনসু অৱাবা ফোঙদোরক্লি। বি জে পি কৈশামথোং মন্দলগী থৌমীশিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারক্লি।

বিজয়া য়ুম্লেম্বম লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচএনএস) : ওল ইন্দিয়া রেদিও (এ আই আর), ইম্ফালগী প্রোগ্রাম এগজিক্যুটিভ ওইরম্বী বিজয়া য়ুম্লেম্বমনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ওল মণিপুর তম্মী-চীংমী অপূনবা নুপী লূপনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর তম্মী-চীংমী অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট সোইবম ওংবী মেমোন লৈমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঐখোয়গী ইরক্তা তীনবীদুনা মায়কৈ কয়াগী লৌশিং তাকপীদুনা মীৎ-নাকোং শীংহনবীরম্বী লমদমসিগী তাঙলবী বিজয়া য়ুম্লেম্বমনা খঙহৌদনা লৈখিদবা হায়বসি খুন্নাইসিগী মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা অচৌবা মাঙজবা অমা ওইহৌরগনি। মহাক এ আই আরগী থৌমী ওইবদা নত্তনা সোসলগী ওইবা থৌরম কয়াদসু থৱায় হকচাং য়াওজবী, কত্থোকপগী ৱাখল চেনখিবী অমসুং মীওই কয়াবু মতেং পাংদুনা অৱাংবা থাক্তা চিংখৎলম্বী অতাঙবী নুপী অমনি। লমদমসিগী নুপী ওইবীশিংগী থাকপু মালেমদা য়াম্না ৱাংনা চিংখৎনবা হোৎনরম্বদা য়াম্না চাউনা শরুক য়ারম্বী অমনি। মহাক্লা লৌরম্বা থৌদাংশিং কৈদৌনুংদা কাউবা লৈররোই হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

মীপায়বা পোক্লরে

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচএনএস) : লমশাং এ সীগী মনুং চনবা লম্বাল মখা লৈকায়দা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপা অমদি মীওই কয়া লোক লায়হৌ হৌদুনা সিম্টোমপ্ট উৎলকপা য়াওরকপদগী খুঙ্গং অসিগী মীয়াম মীপায়বা পোক্লরে। মনাক নকপা হেল্থ সেন্টরদা টেষ্ট তৌনবা হোৎনবদা মদুগী খুদোংচাবা ঙসি ফাওবা ফংদনা লৈরি। হীরমসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অকনবা মীৎয়েং চঙবীনবা আপিল তৌজরি হায়নসু ব্রিলিয়ন য়ুথ লাইব্রেরী ক্লব, লম্বাল মখা লৈকায়গী সেক্রেটরি টি ঐচ ইনাওচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইলেক্টেদ মেম্বরশিংনা মশাগী অরৈবা থৌনা পুথোক্তুনা মীয়াম্বু কোভিদ-১৯দগী কনবা মথৌ তাই : ৱাই খেমচান্দ

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচএনএস): ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদদি ইলেক্টেদ মেম্বরশিংনা মশাগী অরৈবা থৌনা লিংজেল পুথোক্তুনা মীয়াম্বু লায়না-লাইচৎ অসিদগী কনবা মথৌ তাই হায়না মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর কোলেজদা হাংলিবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর (সী ঐচ আই সী)দা কোভিদ পোজিটিভ ওইদুনা মে ৫দগী লৈরকখিবা মীওই ২২ মশাগী ফীভম ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌবগী সার্টিফিকেটশিং স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা খুৎশিন্নখিবগা লোয়ননা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়খি, তঙাইফদ্রবদি লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দদগী ফাওবা ফন্দ শীজিন্নদুনা মীয়ামগী পুন্সি কনবা মথৌ তাই। ঐখোয়না মতম চুপ্পদা লৈঙাক ঙাইগদবা নত্তে। লৈঙাকসু অঙন্বা তৌজসনু। মীহুৎ ঐখোয়গী হোৎনবসু হনবা য়াদে। মণিপুরগী ইস্যু কয়াদা মাঙজিল থারিবা এন জি ও, সী এস ওশিংনা হেন্না চাউবা থৌদাং লৌবীদুনা মীয়ামগী মতেং পাংহন্নিংই।

কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভকী খম থেংবা চৈথেং মরক অসিদা অহুমশুবা ৱেভকী মতাংদসু শেম-শাদবা য়ারোই। য়াম্না ঙল্লিঙৈ কোভিদনা মীওই খরখক নাবা হৌরকপদা ইশামক্লা মণিপুর কোলেজদা ক্বারন্টিন সেন্টর হাংদোকপগী থৌরমদা অমদা মণিপুরদা কম্যুনিটি ট্রান্সমিসন হৌরে, মীয়াম চেকশিনবীয়ু হায়খি। ৱাফম অদু কনাগুম্বা খরদদি হেন্না হায়জিন্দুনা মীয়াম্বু হেন্না কিহনবা তাখি। পুন্নমকসি য়েংলগা ঐখোয় ৱাখল তামিন্নবা চঙই। লৈঙাক্লা পীবা এস ও পি ঙাক্লা চৎমিন্নসি।

লায়না-লাইচৎ অসি কিনিংঙাই ওইবা মওংদা কনখৎলকপদা লৈঙাক্কী অমদি প্রাইভেট হোস্পিটালদা ফমুং চনশিল্লক্তবগী মওং লাকপদা শিংজমৈ এ সীগী মীয়ামগা লোয়ননা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর অমা মণিপুর কোলেজদা হাংবা হায়না য়ানখি। শিংজমৈ এ সীদা লৈরিবা ডোক্তরশিং, স্পেসলিষ্ট কয়া য়াওনা ময়াম্না হোৎনরিবা সেন্টর অসিদা পুন্নমক্লা মতেং পাংবা হায়না য়ানদুনা হাংদোকখিবা অসি থম্মোয়দা পেঞ্জে। শিংজমৈগী ওইনা পুং ২৪ চুপ্পা সর্ভিস পীনবা নর্স ৪ এপোইন্ট তৌরে। ভলন্টিয়র ময়াম চোংথোকপীরক্লে। শিংজমৈ এ সীগী ওইনা হাংদোক্লিবা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর অসিদা হৌজিক্তি ইনমেট ৬০গী মথক্তা লৈরে। অহেনবা বেদ খরসু হাপকৎননবা থৌরাং তৌরি। কোভিদ লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা এ সী অসিগী ভলন্টিয়রশিংনা লৌবীরিবা থৌদাং, ডোক্তরশিংগী থৌদাং অমদি অহিং-নুংথিল সিফ্ট খায়দোক্তুনা থৌদাং লৌবীরিবা নর্সশিং ঐহাক্লা থাগৎতবা ঙমদে। সেন্টর অসিদা লৈরিবা ইনমেটশিংদা ব্রেক ফাষ্ট, লঞ্চ অমদি দিনর ফ্রীদা পীরি। ডোক্তরশিংনা ইরকপা হিদাকশিং ইনমেটশিংদা ফার্মাসিদগী লায়না ফংহল্লি। পুন্নমক অসি লৈঙাক্কী মতেং ঙাইরুদনা শিংজমৈগী মীয়াম্না পুকচেল চাউনা দোনেট তৌরকপননি। মীয়াম্না অঙন্বা মতেং পাংলকপনা সেন্টর অসি চলাইবা ঙম্লিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

‘রুলিং অমসুং ওপোজিসন পার্টিশিং পুন্না খন্নবা মতম ওইরে’

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচএনএস) : ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসি লাকশিন্ননবা রুলিং অমসুং ওপোজিসন্দা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং পুন্না খন্নবা মতম ওইরে হায়না রিপব্লিকান পার্টি ওফ ইন্দিয়া (এ), মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট সাপম শামুঙৌনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসি য়েংলুরবদি রুলিং অমসুং ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টিশিংনা কোক চুংশিন্নদুনা খন্ন-নৈনবগী মতম হেল্লবনি। খুদক্তগী অপূনবগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি মায়থীবা পীনবা থৌরাং থৌশিল পায়খৎকদবনি। মণিপুরগী মীয়াম কোভিদ-১৯দগী কনবা হায়বসি ওপোজিসন অমসুং রুলিংদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মথৌনি হায়বসি খঙফম থোকই। অমনা অমদা থংজিন্নবা, তাইশিন্নবগী মতম নত্তে। রুলিং অমসুং ওপোজিসন পার্টি অনীমক্না মীয়াম্বু কোভিদ-১৯দগী কনগদবনি। ষ্টেট অসিদগী মীওই ৫৫২ শিহনখিবা হায়বসি তরাইনা লৌফম থোক্তে। মসিগী থৌদাং রুলিং অমসুং ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টিশিংনা লৌফম থোক্তবরা। ওপোজিসননি রুলিংনি হায়বা ৱাফম থম্বীদনা লৈঙাক পায়বদা য়াওরিবা পার্টিশিং অমদি ওপোজিসন্দা লৈরিবা পার্টিশিংগী অপূনবা মীফম অমা খুদক্তা পাঙথোক্তুনা কোভিদ-১৯ মায়থীবা পীসি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচএনএস) : মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী সেক্রেটরি ওইনা থবক্তগী পোত্থাখ্রবা থাংজম মেঘরাজ, এসিষ্টেন্ট কম্মিটিগী ওফিসর ওইনা থবক্তগী পোত্থাখ্রবী রাজকুমারী সনায়াইমা অমদি সেক্রেটেরিয়েট অসিদা সাউন্দ টেক্নিসিয়ন ওইনা থবক তৌবীরম্বা নাওরেম কেশোরজিৎ এলিয়স অফবনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলী সেক্রেটেরিয়েট ইমপ্লোয়ীজ ৱেলফেয়র এসোসিএসন (এম এ এল এ এস ঈ দব্লিয়ু এ)না অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ফম্বগা লোয়ননা মিনিট অহুম তুমীন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবশিংগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা মপুগী মফমদা থৌনিজখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না এম এ এল এ এস ঈ দব্লিয়ু এগী সেক্রেটরি টি ঐচ রমানন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।